ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯂꯩꯕꯥꯛꯄꯣꯛꯄ, ꯑꯦꯄ꯭ꯔꯤꯜ ꯲꯵, ꯲꯰꯱꯷, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯱ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯰꯳꯲ ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
লৈবাকপোকপা, এপ্রিল ২৫, ২০১৭, ইম্ফাল
৪১ শুবা চহী, ০৩২ শুবা মশীং

# গেং রেপকী থৌদোক

## জুবেনাইল ওইরবসু লেম্না থাদনবা থবক লৌখৎলু

মীওই অমনা ফল্লানবা নৎত্রগা মীওই খরা পুনশিল্লগা ফল্লানবা (গেং রেপ) গী থৌওং অসি নুমিৎ খুদিংগী নৎত্রবসু মরক-মরক্তা মণিপুরদা থোকপা থৌদোক-ৱাথোক অমনি হায়বা য়াই। চহী খরগী মমাঙদা উ মোরোক য়োনবী নুপী অমা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মফম অমদা গেং রেপ তৌখিবগী থৌদোক্তা চেন্নবশিং চৈরাক পীখ্রে। মদুগী মতুং তারকপদা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী শওম্বুং পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা ফক্কুং চীংখোংদা থা অসিগী ১৪ গী নুমিদাং পুং ৮ লোম তারকপদা চহী নৌরিবী নুপীমচা অনীখক নুপা ৭ চঙদুনা গেং রেপ তৌখিবগী থৌদোক অমা অমুক থোকখ্রে। থৌদোক অদু নুপীমচা অনী অদুনা মখোয়গী মরূপ অনীগা লোয়ননা গাড়ী মচা অমমমদা তোংমিন্নরগা থাবল চোংবা য়েংলুবগী হল্লকপদা থোকখিবনি হায়না পুলিসকী রিপোর্টতা পল্লি। মখোয়না নুমিদাংদুদা মী তাদবা লম্বী অমদা লাকপদুদা কার তোংদুনা লাকপা মীওই খরনা মখোয়বু নমদুনা খামহনখি। নুপীমচা অনীদুগা নুপা অনীদুগদু মী তাদবা মফমদুদা কারন-তুরন তৌননবা লাকপনি হায়না মরাল শীজিল্লগা মখোয়বু ৱারক্কনি, ক্লবতা শীন্নগনি হায়না ফাদুনা পুরগা চীংথক্তা পুখৎলগা মখোয় ৭ চঙদুনা ফল্লানবগী থৌদোক অদু চথখিবনি। নুংঙাইতবা থৌদোক অদু থোকখ্রবা মতুং নুমিৎ খরনি লৈরগা নুপীমচাশিং অদুগী ইমুং-মনুংগী মীওইশিংনা সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিংদা ৱাকৎলকখি অমসুং পুলিসকী নাকোং য়ৌরক্তুনা ৱাথোক অদুদা চেন্নবনি হায়বা মীওই তরেৎমক ফাগৎখি। নুপীমচা অনীদুগা খোঙবু ওইমিন্নরুবা নুপামচা অনী অদুসু থৌদোক থোক্লিবা মফম অদুৱাইদগী পংলাপ লাপ্তুবা মফমদা লৈবনি। থৌদোক্তুদা চেন্নরিবা মীওই ৭ অদুসু লৈকায় অদুগী মীওইনা অয়াম্বনি হায়না রিপোর্ট তৌরি। মরম অদুনা মরূপ ওইনা চৎমিন্নরুবা নুপামচা অনীদুনা থৌদোক্তুদা চেন্নরিবা নুপা ৭ অদু মশক খঙফম থোকই অমসুং মখোয় অনীবু ৱিটনেস ওইহন্দুনা কেস অসি মতম চঙদনা লোইশিনবা য়ানবা পুলিসনা অথুবদা চার্জসীট থাগৎননবা থৌরাং তৌবা য়ারে।

গেং রেপ তৌবগী থৌদোক অদুদা চেন্নরিবা মখোয় তরেৎকী মনুংদা তরুক্তি জুবেনাইল ওইরম্বদগী তাকয়েলপাৎতা লৈবা ওবজার্ভেসন হোমদা থাজিনখ্রে। অদুগা অতোপ্পা মীওই অমদি হৌজিকসু মখা তানা ৱাহং পাউহং চথনবা পুলিস কষ্টদিদা লৈরি। কেস অসি স্পেসল কোর্ট প্রোটেক্সন ওফ চিলদ্রেন ফ্রোম সেক্সুএল ওফেন্সেস এক্ট (পোকসো), ইম্ফাল ইষ্টকী কোর্টতা কেস লৌখৎখ্রে। থৌদোক অসি খ্বাইদগী তমথীবা অমসুং থম্মোয় শোকপা অমনি হায়না লৌদবা ঙমদে। থৌদোক্তুদা চেন্নরিবা মীওই ৭ পুলিসনা মতম চানা ফাবা ঙমহৌবনা ষ্টেট অসিদা থোক্লগদবা তংদু-লৈতাদবা ফীভম অদুমদি থোক্লরোই। অদুমকপু চহী নৌরিবা অঙাংনা চথুরম্বনি হায়বা মীৎয়েংদা মীনুংশি পোক্কনবা ৱাখল্লোন শাগৎপা হায়বসিদি ঙসিগী মীরোলনা য়ানিংগনি হায়বা থাজদে। ফল্লানবা হায়বসি অঙাংনবু ওইরবসু, অহলনবু ওইরবসু চপ মান্নে। মরম অদুনা নৌনা শেমখিবা পোকসো এক্টতা মফম মতমগী মতুং ইন্না মরাল লৈবশিং অদু অঙাংবু ওইরবসু খ্বাইদগী লুম্বা চৈরাক পীনবা প্রোভিজন হাপখ্রে। মরম অদুনা কেস অসিগী ইনভেষ্টিগেটিং ওফিসর (আই ও) না একুজশিং অদুবু নাম্থোকখিদনবা হৈ-শিংনা এফ আই আর লৌখৎকদবনি অমসুং চার্জসীট থাগৎপদা অহোবা অমত্ত লৈহন্দনবা হৌজিক্তগী হৌনা ৱাখল থাদগদবনি। মথক থোংবা পুলিস ওফিসরশিং অমসুং ইনভেষ্টিগেসনদা খ্বাইদগী হৈ-শিংলবা ওফিসরশিংনা আই ওদা মতেং পাংহনগদবনি। ফারবা মখোয় তরেৎমক বেলদা থাদোক্তনবা হোৎনগদবনি। ইমুং-মনুংগী মীওইশিংনসু মখোয়-মখোয়গী মচা-মশুশিং অদু বেলদা লৌথোক্লবা হোৎনরোইদবনি। কনাগুম্বা খরনা লম্মন খুন্নিবনি হায়দুনা পামদবা থৌদোক চথুরকপদা পুলিসনা হৌজিক লৌখৎলিবা কেস অমসুং ইনভেষ্টিগেসনদা অহোবা লৈহন্দনবা হোৎনগদবনি। মতাং অসিদা পঞ্জনিংবা ৱাফমদি মশাগী চহী ১৮ ফাওবগী মনুংদা লৈবা ইনখৎলক্লিবা নুপামচাশিং মমা-মপা ওইবশিংনা ৱারক-ৱাতেম্বা ৱাৎপগী মওং অমা উবা ফংই। অহিং-নোংয়াইদসু অসিগুম্বা তাঙ্কক্কী নুপামচাশিং অমসুং নুপীমচাশিং লম্বী-লমজাউদা মনিং তম্না থাদোকপা উই। চাউখৎলবা ষ্টেটশিংদদি মখোয়বু ঙাক-শেন্নবা সিক্যুরিটি ফোর্সশিং নুমিদাং অথেংবদা মথৌ তৌদুনা লৈবদা নত্তনা ৱাখল্লোনসু ঐখোয়গী স্বাইদা লৈরিবা থাক অসিদগী তামথোকখ্রবনি। চহী নৌরিবা অঙাংশিংদা স্মার্ট মোবাইল ফোনশিং শিজিন্নহনবদা মমা-মপাশিংনা অখন্নবা মীৎয়েং চঙবা চুমগনি। চহী ১৮ ফাওবগী মখাদা লৈবা অঙাংশিংবু কাও থাবদৌনা থাদোকপসিনা খুন্নাই অসিদা অফবা পুরক্কবগী মচাক অমত্তা লৈতে। মদুগী মহুত্তা মখোয়বু মহৈ-মশিনদা পূক্নিং হেন্না চঙহন্নবা মমা-মপা ওইবশিংনা অফবা ৱাখল্লোন পীহন্নিংই।

### ••• এডিটরদা থারকপা চিঠি •••

## জোব কার্দ হোল্ডরগী চাকখাও মেৎপশিং চপখৎলক্কদৌরি

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

***চহীদা*** য়ামদ্রবদা নুমিৎ ১০০নিদগী তাদনা জোব কার্দ হোল্ডরদা পীগদবা শেলরিগী শেনফমদগী তঙ্খায় হেন্না মৎখ্রগা লেমহৌখাক খরদুনা হৈরোক পার্ট ৱান শেলরিজ জোব কার্দ হোল্ডরস এন আর ঈ জি এস, হৈরোক পার্ট ৱানগী পীফম থোকপা শেলরিজনি হায়জিদুনা য়েম্থোকখিবতা নত্তনা কুমজা ২০১৬ কী অরোইবা পীফম থোকপা শেনফম লুপা ১৯৭০/১৯৭০ সু ঙসি ফাওবদা ফংহন্দ্রি। অসুম্না হালেংবা লৈতনা অরানবা তৌরিবা মীওইশিং থিগৎতুনা চৈরাক পীনবা মীফম অমা তাং ২৮-৪-২০১৭ কুমজাগী নুংথিল পুং ৩.৩০ তাবা মতমদা হৈরোক হৈতুপপোকপী স্কুল লম্পাক্তা পাঙথোক্কদৌরিবা অসিদা মরী লৈনবশিংনা শরুক য়াবিনবসু হায়জরি ।

*অদোমগী - সেনিয়র সিটিজন,*
*কন্টেক ওফ জোব কার্দ হোলদর, হৈরোক*

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৪৯

১। ‘‘মৈতৈ অমা লাকই/থাঙ পায়দুনা লাকই/চিংনবা লৈতনা চঙখি/থাঙনা য়াল্লে গোবিন্দগী সিংহাসন্দা’’ কবি কনানা হায়বনো?
২। ‘‘ঙসি কৌবা নুমিৎতগী মাম্মবু ঐনা... বাবা কৌজরবনি।’’ পরেংসি ক্ষেত্রি বীরগী নোভেল অমদগী লৌথোকপনি। করম্বা কেরেক্টরনা হায়বনো?
৩। ‘‘সুখলাল জ্ঞান মাঙনা মিৎ উইশিল্লকই/...ৱা ঙাঙদনা ফমুংদা উতুপ তাবগুম হাইথরকই।’’ পরেং অনীসিনা ক্ষেত্রি সুবদনীগী করম্বা ৱারীমচাদগী লৌথোকপনো?
৪। এম কে বিনোদিনীগী ‘অশংবা নোংজাবী’ ইংরাজিদা হন্দোকখ্রে। কনানা হন্দোকপনো?
৫। নৈন-ৱারেং ‘চোইজাইনবা ৱারেং’ কনানা ইবনো?

ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম এপ্রিল ৩০, নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা খুদোলপোৎ পীজগনি।

# ভি আই পি কলচর, রেদ/ব্লু বিকন লৌথোকখিনবা ৱারেপ

হেক্তা হায়নীংলকই - ৪৩৭

**জিতেন নামৈরাকপম**



***ভেরি*** ইম্পোর্টেন্ট পার্সন নৎত্রগা খ্বাইদগী হেন্না থাক ৱাংখৎলবদা ভেরি ভেরি ইম্পোর্টেন্ট পার্সনগী কলচর লৈবা লমনি মণিপুর। থায়না নিংথৌ পাল্লিঙৈগী মতমদা চৎনরম্বা চৎন-কাঙলোন কয়া শেমদোকখিবা লৈরগসু অচৌবনা অপীকপা, তোল্ল-তারবশিংবু উশিৎপীদবগী হৈনবী থাদোকপা ঙমদবা, মশামক খ্বাইদগী হেন্না চাউরবনি খঞ্জবা মীওই মশীং থিঙমদনা লৈরি। মখোয়গী ৱাখলদা অৱাংবা, অনেম্বা, অপীকপা, ময়ায় ওইরপ তৌবা কায়দনা মীওইববু কাখল নাইনা খায়দোকপগী হৈনবী থাদোকপা ইঙম ঙমদে। অমরোমদবুদি মশাগী পর্সনেলিটি অমদি ষ্টেটস ৱাংবা মীয়াম্না ইকায় খুম্নরবা মীশক অমা ওইবগী খুদোংচাবা লৌরগা মীয়াম্না য়ানবা চৎপগী মহুত্তা শক তাখৎলুবদগী, মীয়াম্না য়ারক্তবদগী হন্দক্কী ১১ শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লি ইলেক্সন মায়থীদুনা লৈহৌবা য়াওনখ্রে। মসিনি দিমোক্রেসি হায়বদু! মীচম মীয়াম্না য়ারগদি ইচম চমজবা মীওই অমসু লাইরৈবাক্কুম ৱাংনা থাংগৎপা ঙম্মী অদুগা য়ারক্তবা মতমদনা অমুক হন্না হৌগৎলকপা ঙল্লরোইদবা মওংদা লোকখাদা ইন্থবসু ঙম্মী। নেতাগী ফিজোল শেৎতুনা সেক্যুরিটিশিংনা য়োমদুনা চৎলম্বা, মীয়াম্না উনগে ফংদবা, ভিজিটিং দেগী মতম পীরবসু অন্দরগ্রাউন্দগুম লোৎতুনা লৈরম্বা মহাক হৌজিক্তি মীচম ওনখ্রে। করি অমুক হায়রুনি। মতম খরগী মতুংদগী ভি আই পি ওইরম্বা মহাক খোংনাং মখোংগী হোটেলদা চাঙাং গ্লাস পায়রগা, পোলিটিক্সকী কাঙলোন নৈনরবসু য়ারি। মসিমক থোকখিদবা নত্তে। ইশামক থেংনজখি।

মতম অমদা কেবিনেট মিনিষ্টর ফাওবা ওইরল্লগা ময়ূম ইঙ্খোল য়োনবা ফাওবা য়াওখিদবা নত্তে। পুন্সি হায়বসিদি খুবাক খুনমগুম্বনি হায়নবগী অচুম্বসু লৈরি। মতম অমদা নুংঙাই য়াইফরম্বা মোন্দুম-মোন্তেক্কী পুন্সি মরেলদা লেল্লম্বা অৱাংবা থাক্কী ফম পায়রম্বা কয়া ইলেক্ট্রিক বিল থিফম থোকপা থিদবদগী লুপা লাক্ষনা খুজিং ওইদুনা তোল্লম্বদগী ককখিবা কয়াফাও থেংনখি। মতম অমদা মন্ত্রি ওইরিঙৈ এস্কোর্টনা য়োমদুনা সাইরেন খোংদুনা চৎলম্বা অহল অমা, ফৈজোম পুময়াৎ শেৎলগা ছাটিন অমা য়েপ্পগা ৱাক্কিং চৎলম্বসু থেংনখ্রে। সাইরেন খোংলগা এস্কোর্টনা য়োল্লগা লাকপা, পাইদুনা থৌরকপা গাড়ীশিংদু হায়রিবা অহল অদুনা গাড়ীনা থোল্লমদনবগী মওংদা সরক্কী মতায়দা ঙাইহাক লেপ্পলম্বগী সিননি উখিবদু। খল্লকখি, মসি ওইবা তারেকো পুন্সি খোঙচৎ হায়বদু!

হন্দক বি জে পি লৈঙাক্না ভি আই পিগী গাড়ীশিংদা রেদ বিকন লাইট হাপ্পা মে ১ দগী য়াররোই হায়বগী অথিংবা থল্লক্লিবসি মীওইবা অমনা মীওইবা অমদা ইকায় খুম্নসি, অচৌ অপীক্কী ৱাখল থাদোক্লসি, ঐ মঙায়রে অচৌবনি লাক্লিবসি হায়বগী ৱাখল্লোন লৈনরগুমসি হায়বগী পাউজেলনি। বিকন লাইট অঙাংবা, হীগোক মচুগী লৱাই লেম্ফুদা মৈ থাল্লগা মী চিল্লবা ইম্ফালগী মফমশিংদা গাড়ী থৌজিল্লকপদা মীয়ামগী থৱায় চেনগুম চেনগানবা, থৱায় লৌথোক্কে হায়গুম্বা থৌদোক কয়া অমা য়াওখ্রে। লৈঙাক ময়োনগী য়ুনিয়ন কেবিনেটনা লৌখিবা ৱারেপ্তা রেদ বিকন লাইট শীজিন্নবা থিংখ্রবা ভি আই পিশিংগী মরক্তা ভাইস প্রসিদেন্ট, চীফ জষ্টিশ ওফ ইন্দিয়া, য়ুনিয়ন মিনিষ্টরশিং, ব্যুরোক্রেট ওফিসরশিং, হায় কোর্ট অমসুং সুপ্রিম কোর্টকী জজশিং য়াওরি। তৌবতবু কুমজা ২০১৬ তা সুপ্রিম কোর্টনা ষ্টেটশিংগী গভর্ণর, চীফ মিনিষ্টর, চীফ জষ্টিশ, এসেমব্লি স্পিকর, মিনিষ্টরশিং অমসুং হায় কোর্টকী জজশিংদি ফ্লাশর য়াওবা রেদ বিকন লাইট শীজিন্নবদা অয়াবা পীখিবনি। অসিদসু নত্তনা চীফ সেক্রেটরি, দেপ্যুটি স্পিকর, এদভাইজরি বোর্দকী চেয়ারমেন... দি জি পি, এস পি, পুলিস কমিশ্নর মখা থাবা অখন্নবা খরদা রেদ নৎত্রগা ব্লু লাইট শীজিন্নবগী অয়াবা পীখিবনি। ইমর্জেন্সিগী মতমদদি মমণিপুর পুলিসনা গাড়ীদা সাইরেন য়াওবা রেদ বিকন শীজিন্নবদা কেবিনেটনা অয়াবা পীখিবগা লোয়ননা ফয়ার সার্ভিস অমসুং মেদিকেল সার্ভিস হায়বদি এম্বুলেন্সকুম্বদা ব্লু বিকন লাইট শীজিন্নবদসু অয়াবা পীখিবনি। অদুবু হৌজিক্তি ভি আই পি কলচর মুথুৎনবা লৌখৎলকপা থৌরাং ওইনা মথং থা মে ১ দগী প্রাইম মিনিষ্টর মহাক মশামক অমদি প্রসিদেন্ট লোয়ননা অতৈ ভি আই পিশিংনা তোংবা গাড়ীশিংদা রেদ বিকন লাইট শীজিন্নবা পুমথিং থিংখ্রে। লম্বী চিনবা মফমদা ভি আই পি লাকপগী মীয়াম্না খংপ্রেক খংবা সাইরেন মখোলদা থৱায় চেঙ্গুম চেঙ্গানবা ফরগনি হায়বগী মতাংদা লৌখৎলকপা থৌরাংসিদি মীয়াম্না থাগৎপা ফোঙদোক্লরক্লি।

মরমদি মী চিনখ্রবা ইম্ফাল এরিয়াগী কংলাপার্ক পরেং, সেক্রেটেরিয়েট মমাঙ, কৈশাম্পাৎ, ৱাহেংবম লৈকায়, নাগামপাল, খোয়াথোং, নোর্থ এ ও সীনচিংবগী লম্বীশিংদা হিংচাবগী খোঞ্জেলদা এস্কোর্টও করিও লাউ খোঙলগা পাইশিল্লকপদু খরমখৈদি হন্থরগনি খল্লি। লম্বী মমাঙদা লৈরম্বা গাড়ী পরেং নৱা লৌদে, অচৌবা ঐ লাক্লে, ঐনা হান্না চৎকদবনি, লম্বীগী চিদাইদা হন্দোকউ নৎত্রগদি চৈ চাগনি, গাড়ীদু থোমগায়রমগনি হায়বগী হান্নগী লৈঙাক্কী চৎন-লোনচৎ অদু বি জে পি লৈঙাক্না থুগাইরক্লিবসি থাগৎনীংই।

হায়রিবা মতম অদু মণিপুরগী লৈঙাক্কী লুচিংবশিং লম্বীদা লাকপদগীদি কৈসু নত্তবা পীকখ্রবা আর্মিগী কেপ্তেন মচা অমা লম্বীদা লাকপা ফাওবদা মীতৈয়েন লাবদৌনা মশোংগা ফনগৎলকই। কম্মান্দেন্ট নৎত্রগা টু আই সী (সেকেন্দ ইন কম্মান্দ) গী ওফিসর অমা লাক্লগদি মখোয়না চাউবসিদি অমুক্তোইবা লোইরে। জিপসি মনিংদা ক্লাস আইটকী সার্টিফিকেট (লৌরিবরা/শেল্লিবরা/শারিবরা) পায়রগা থবক চঙলকপা সিপোই মচা অনী অহুমসু ওইবা য়াই, য়াইরি লিচৈ পায়রগা লম্বী চিনবগী লাম্থোকপা ঙমহৌদ্রবা অহল অঙাং খাক্তনা নময়াংদা লিচৈনা চিংখিবশিং মাঙদা শং শং উরকই। অমুকসু খল্লকই আর্মিগীদি ‘ওর্দর ইজ ওর্দর’, য়ু হেব টু ফোলো দ রুলস এন দ রিগুলেসন’। আর্মিগীদি অচৌবনা হায়বা ইনবা তাবনি। ওফিসরশিংগী মায়োক্তা পীকখ্রবা সিপোই মচা অমনা লেপ্পা ঙম্বগী পাঙ্গল লৈতে। হন্দক্তসুনি ঙসিদগী নুমিৎ ৪/৫ নিদা ঙায়রি। অফবা চিঞ্জাক পীজদ্রে হায়না ৱাকৎলুবা বি এস এফ সিপোই অমা থবক থদৎপীখ্রে। দ্যুটিগী মতমদা ফোন পায়রগা মতম লেম্থোকই, মথৌদা পূক্নিং চঙদে হায়বগী মরাল থংজিল্লগা ওফিসর মশেল চপ মান্নখি। সিনি ভি আই পিগী কলচর মুথুৎনবা হোৎনরগসু ভি আই পি মশেল কনখৎনবগী ৱাফম অদুমক লৈরি।

অমরোমদা, ভি আই পি হায়বসিদি মীয়াম্না শকখঙলবা, লৈবাক্কী থৌরম থৌদাদা মায়রোং য়াবা মরুওইবা মীশক অমা ওইনা লৈবদুনি খঙনরিবসি। ভি আই পি অমগা মেন মান তাদবা অঙাওবা মীওই অমগা চাংদম্নবদি য়ারোই। মীয়ামগী অফবা থৌরম থৌরাং পায়খৎলিবা মীওই অদু ঐখোয় অশোয় অঙাম য়াওহন্দনবা চেকশিন্না শেন্নবীবা চঙলি। খ্বাইদগী মরুওইবা মীওই অমনা চৎপদা অকায়-অতোয় তৌরগে, মাঙহন-তাকহল্লগে খনবা মথোং চাদবা মীয়ামসু লৈরিবনি। মখোয়শিং অদুদগী ঙাকথোক্লবনি ভি আই পিগী মিংথোল ফংলবশিংবু ঙাকপী শেনবীরিবসু। ভি আই পি অমনা লৈবাক্কী মরুওইবা ইস্যুশিংদা মায়রোং য়ানবা থবক থৌরম পাঙথোকপা চৎপদা মহাকপু ইকায়খুম্নবা উৎপা অমদি মথৌ মতম চানা পাঙথোকপা ঙম্নবগীদমক মহাকপু অথিংবা পীদনা মীয়ামদগী হান্না চৎহনবা হায়বসিমদি তৌদবা য়াদ্রবা অমদি থকসি-খাসি নাইবগী লিচৎনি। চেকশিলহৌদবদগী মহৈ মশীন হৈরবা লৈবাক্কী মরুওইবা থৌগায় পুবা পুকচেল চাউরবা লুচিংবা কয়া করিসু নত্তবা ক্লাস আইট পাস তৌবা অঙাং অমনা কাপ্তুনা হাৎতোকপা লৈখ্রে। ভি আই পিশিংসু শেন্নদবা য়াদে। নৎত্রগদি মথোং মরম খঙদবা, মেন মান তাদবা ঙাক্তনা লৈঙাকপা লমদম অমা ওইরকপসু য়াই। তৌবতবু ভি আই পিশিংনসু লৈবাক মীয়ামগী ইহুল খঙবিরগা ঐ মঙায়রে চাউবা হায়বগী ৱাখল থাদোক্লগা থবক পায়খৎপীবগী তঙাইফদবা লৈ। রেদ বিকন, ব্লু বিকন, ফ্লাশ লাইট শীজিন্নবা, শীজিন্নদবা, সাইরেন খোংবা-খোংদবা অদুমক মীওইবা অমনা মীওইবা অমদা থকসি-খাসি নাইনা হিংমিন্নবনা ফরে হায়নীংই। ভি আই পিগী কলচর মুথুৎলসি।

# পব্লিক ত্রান্সপোর্ট সিষ্টেম হিংগৎহনবা -১

খঙদোকমিন্নসি অমুক্তা ঃ ৩৯৮

**হাওবম প্রিয়োকুমার**

***লৈবাক*** অমা, লৈঙাক অমা লৈরবদি মীয়ামগীদমক ত্রান্সপোর্ট সিষ্টেম অমা লৈহনবা হায়বসি তঙাইমক ফদ্রবা অমনি। হীরমসিগা মরী লৈননা ৱারেংজরিবনা পাউচে অসিমক্কী কুমজা ২০১১ গী ফেব্রুৱারী ৯ দা “গভর্ণমেন্টকী ওইবা ত্রান্সপোর্ট সিষ্টেম মথৌ তারকপা” হায়না ৱাফম খরা থমজখিবসু লৈখ্রে। হিংগৎহনবা হায়বা ৱাহৈসিনা তাক্লিবদি পব্লিক ত্রান্সপোর্ট সিষ্টেম অমা অহানবা ওইনা লিংখৎকদবা নত্তে, মমাঙদা লৈরল্লবনি হায়বদু তশেং তশেংহল্লি। অদুনা মসিবু লৈহল্লম্বা অমদি করি মরমদগী মুথুৎখিবা লোয়ননা মসিনা কদায় কদায় ফাওবা কান্নবা পীরম্বা অসিনচিংবসু নৈনবগী মথৌ তাৱা খল্লি। মণিপুরনা ইন্দিয়াগী ফিবান্নুংদা তিন্দ্রিঙৈগী মতম কুমজা ১৯৪৯ গী ওগষ্ট ১৫ দা মণিপুর লৈঙাক্কী ওইবা মণিপুর ষ্টেট ত্রান্সপোর্ট (এম এস টি) মীয়ামগী চথোক-চৎশিন্দা মতেং ওইনবা লিংখৎখি। অহানবদা মানা কোনশিল্লম্বা মফম য়াল্লমদে। অদুবু মতমগী মতুংইন্না লমদমসিগী মফম মফমদা লৈরিবা মীয়ামগী চথোক চৎশিন্দসু চাউনা মতেং পাঙবা হৌরকখি। অকোনবদা সিটি বস সার্ভিস লৈহন্দুনা মতেক মতাগী চথোক-চৎশিন্দসু থোয়না হেন্না কান্নবা ফংহনখি। মতমগী মতুং ইন্না এম এস টিবু কোর্পোরেসন ওন্থোক্লগা হেন্না পাকথোক চাউথোক্না মীয়ামদা কান্নবা হেনগৎকনি হায়বগী ৱাখল্লোন্দা, পান্দমদা কুমজা ১৯৭৬ কী মার্চ ২৭ তা এম এস টিবু মণিপুর ষ্টেট রোদ ত্রান্সপোর্ট কোর্পোরেসন (এম এস আর টি সী) হায়না ওন্থোকখি। হান্না এম এস টি ওইরিঙৈগী মতমদদি ষ্টেটকী বজেটতা চাউরা চাউরবা শেনফম হাপ্পনা মরম ওইদুনা পব্লিক ত্রান্সপোর্ট অসিগী মনুং অমসুং মপান খুদিংমক্কী শিনবা লাংবদা শেলগী অৱাৎপা লৈরমদে, ফীভম চুম্না লেপ্পা ঙমজরম্মী। অদুবু কোর্পোরেসন ওনখ্রবা মতুংদদি মরোমদোম চল্লাইরবনিনা চেল্লিবা গাড়ীশিংনা পুশিল্লকপা শেনফম্না শেমজিন-শাজিনবা, তোলোবনচিংবা খুদিংমক কোন্ননবা শিনবা লাংবা তারকখি।

কোর্পোরেসন ওইনা লৈখ্রবনিনা মঙোন্দা থবক হাপতোক-হাপচিন্দা খরা লায়থোক্লকপা লোয়ননা মণিপুর পব্লিক সার্ভিস কম্মিসন্সসু মরী লৈনরকখিদ্রে। মসিগী খুদোংচাবসি লৌরগা এম এস আর টি সীদা মিনিষ্টরশিং, এম এল এশিং অমদি অচৌ অশাং ফম্নাইবশিংনা থবক হাপ্পবগী মফম অমা ওইনা উনরকপগুম তৌখি। মদুমক্লা শিন্মীগী মশীং তপ্পা তপ্পা হেনগৎলকখি। অমনা আই এ এস, আই পি এস, এম সী এস, এম পি এসনচিংবা ওফিসার কয়াবু চৈরাক পীবগী মওংগুম এম এস আর টি সীদা জেনরেল মেনেজর/মেনেজিং দিরেক্টর ওইনা মণিপুর লৈঙাক্না হেক হেক থাজিল্লি। মদুদা মীওই অমা/অনী নত্তনা অতৈদি মতম লেনবগী মওংদা থবক পুনরম্বনা এম এস আর টি সীগী মরাইবক অফবা ওইখিদে। কুমজা ১৯৮০ গী হৌগৎলকপা পরিং অদুৱাইদগী শিন্মীগী মশীং ঈশিং ঈচাওগুম হেনগৎলকখি। মতমদুদা আই পি এস অমনা মেনেজিং দিরেক্টরগী থৌ পুখি। এম এস আর টি সীগা মরী লৈনবা লৈনদবা অমদি মথৌ তাবা তাদবা থোয়না থিরুদনা খূৎতা পুদুনা লাকপগী মওংগুম মহাক্না মীওই কয়া পংহাপ্তা হাপচিনখি। সেক্যুরিটি ইন্সপেক্টর, সব ইন্সপেক্টর, সেক্যুরিটিমেন, মার্কেটিং ওফিসার অসিনচিংবা খরসি পনবা য়াই। মতমদুদা অপূনবা শিন্মীগী মশীং চাওরাক্লা লিশীং অমগী মথক ওইগনি। অদুগা চেন্নরিবা গাড়ীগী মশীংনা পূন্না চাউরাক্ল ।২২/২৩ মুক ওইগনি। কোর্পোরেসন ওইরুবনা মশানা তাঞ্জবা শেলনা চেন্নরিবা গাড়ীশিং শেমজিন-শাজিনবা লোয়ননা শিন্মীশিংগী তোলোব পীগদবনিনা মরম চাদনা হেনগৎলক্লিবা শিন্মীশিংদুনা কোর্পোরেসন অসিগী অচৌবা পোৎলুম অমা ওইরকখি। শিন্মী ময়ামসিগী তোলোব পীবা ঙল্লক্তদুনা মমৈথংদা মণিপুর লৈঙাক্না য়ানরক্তদুনা কুমজা ১৯৮৫ গী মার্চ/এপ্রিল থাদা মচিৎ-মচিৎ পূন্না শিন্মী ৭৭৬ রোম থবক্তগী লৌথোকখি।

মসিগী মতুং তারকপদা এম এস আর টি সীগী ফীভম খরা মখৈদি ফংগৎলকখি। ইকুই কুইদনা এম এস আর টি সীগী গুৱাহাটি নাইট সুপর সার্ভিস চেনবা হৌরকখি। মসিগী নাইট সুপর সার্ভিস অসিনা অতৈ লন্নাইগী চেন্নরিবা গুৱাহাটি সার্ভিসতগী অতোংমল হন্থবা মরম্না অমদি চাং নায়বনা মতম লৈবা খিবিক্তা এম এস আর টি সীগী গুৱাহাটি নাইট সুপর সার্ভিস ফুল ওইদবা য়াওদে। মসিগী ফীভমসিদা দ্রাইভর অমদি কন্দক্টরনা পৈশা-নুংশাগী মতাংদা খূৎ থিংজিল্লুবা ঙম্নবগী লম্বীসু লৈতে। মখোয় অনীগী হঙ্গৎ-হন্দাগী সিট অনী পীদুনা মদুদগী লাকপা শেনফমদুনা মবানিগী টুর এলাউএন্সকী মওংগুম পীরি। অদুনা লেমহৌরিবা সিটশিংদগী হঙ্গৎ-হন্দাদা লাকপা শেনফম্না কোর্পোরেসন্দা চাউনা কান্নবা পীবা হৌরকখি। হায়রিবা অকক্লবা সার্ভিসসিনা হেন্না কান্নবা পী হায়বগী ৱানি, অতৈ সার্ভিস জিরি-সিলচর, মোরেনচিংবদা চেল্লিবা গাড়ীশিংনসু অদুমক কান্নবা পীরিবনি। অতৈসিনা হান্নগী হান্না থনল্লগা গুৱাহাটি নাইট সুপর সার্ভিসসিদা য়ামদ্রবদা নোংমদা গাড়ী মঙা/তরুক তং চেলহল্লল্লবদি মতমদুগী এম এস আর টি সী হিংবা ঙমজরমগদবনি হায়না খল্লি। লোয়ননা মসিগী সার্ভিসসিদা তপ্পা-তপ্পা অহেনবা গাড়ী হাপকৎলক্লবদি মরেক-মহাও থোকপা, মতিং লৈবা কোর্পোরেসন অমা ওইহল্লম্বা য়াফম থোকপনি। অদুবু অদুম্না তৌরুবদা লন্নাইগী চেল্লিবা নাইট সুপর সার্ভিস খরদদি চৈথেং নংদুনা সার্ভিস লেপ্পবগী মওংদা লাক্কনি। অদুবু লন্নাই হায়বসিদি মীওই খুজোক খরখক্কীনি অদুগা এম এস আর টি সীনা মীয়ামগীনি। অদু ওইদুনসু লন্নাই হায়বসিদা শোক্ল-থেংলু য়াদবা, ফিজি-ফিনা নেৎপা হায়বদু ওইরম্বসু য়াই। মসিমক্ল ।এম এস আর টি সীবু লায়না হিংহনবা য়াবগী লম্বীদু লম্মখাংদা মাঙহনবিখি। অসুম্না মণিপুর লৈঙাক্লা এম এস আর টি সীবু শুদত্তুনা থল্লকখি। লৈবাক অমা, লৈঙাক অমা লৈরবদি লৈঙাক্তুগীবু ওইরো, মাগী মখাদবু ওইরো নৎত্রগা কোর্পোরেসনবু ওইগেরা পব্লিক ত্রান্সপোর্ট সিষ্টেম অমা লৈতবা ইয়ামক য়াদ্রিবনি। অদুবু মতমদুগী মথোং হুক্তবা হায়বা তারে ত্রান্সপোর্ট সিষ্টেমগী ৱাহম্থোক খঙজদবা লৈঙাক্তুনা কুমজা ২০০৩ গী ওক্তোবর ৩১ দা এম এস আর টি সী পুন্মুৎ মুথুৎখি। অমরোমদা তঙাই ফদনা লৈতবা য়াদবা অমা ওইবনিনা, তোখায় তাখ্রবা মতুং মরোমদোম লেপচবা ঙল্লক্তবা মতমদুদদি মখোয়বু লৈঙাক্লা লৌশিনবীদুনা, কোনশিনবীদুনা হিংগৎহনফম থোকপনি। লৈবাক পুরিবা ফম্ন ইবশিংগী চথোক-চৎশিন্দা থোইদোকপা অৱাবা লৈতবনিনা পব্লিক ত্রান্সপোর্ট সিষ্টেমদা থোয়না মিৎয়েং চঙখিদ্রবা হায়না লৌই। অদুনা এম এস আর টি সী মুথুৎখ্রবা মতুং শাঙলবা মতমসি মীচমশিংদা পব্লিক ত্রান্সপোর্ট লৈতবগী অচৌবা অৱাবা অমদি মায়োক্লহন্দুনা লাক্লি।